# পাম্মুবা নুংশিবা নঙ-তে
## নোক্লিংদবৈ ৱানি, নোক্কদৌদা ঙাইশিল্লক্লবনি

মহৌশাগুম্না হন্দক চহীগীসু ওগষ্ট ১৩দা অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎকী থৌরম পাঙথোক্লখ্রে। থৌরমসি মণিপুরদা খক্তা নত্তনা মীতৈনা লৈবা মফমশিংদসু পাঙথোকখি। পাঙথোকফম থোকপা মরু ওইখ্রবা থৌরম্নি পাঙথোকসনু। অদুবু থৌরমসিগা মরী লৈননা ওগষ্ট ১২, ২০২৫দা হৈরাঙ্গোইথোংগী নীংথেমচা কারোং অশ্বাইদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা শরুক য়াখিবা ইকায়খুম্নজরবা এম এল এ অমনা ফোঙদোকখ্রিবা ৱাফমশিংদুবু করিনো? তৌবগীবুদি অথৌবশিংগী নুমিৎকা মরী লৈননা নুমিৎসিগী মাঙওইননা পাঙথোকপা থৌরম ওইবনা মতম য়াম্না শাংনা ফংখিদবদগী মণিপুরগী ইকায়খুম্নজরবশিংদা মীয়ামগী লৈঙাক শেমহল্লক্তবগী য়ামখ্রবা মরমশিং লোইনা পল্লমদবা মওইরিনি। অদুবু থৌরমদুদা য়াম্না ময়েক শেংনা হায়রিবদি 'চীফ মিনিষ্টর ওইনীংবা ৭/৮ চোংথোরকপদগী লৈঙাক শেম্বা ঙমদবনি' হায়বসিনি। চুল্লমগনি, ইকায় খুম্নজরিবশিংগী মরক্তা অমা ওইদুনা মপান্থোংদদি অমত্তা ওইরি হায়জরগসু মনুংদদি নাকপাক তান্নবা মানবা কাঙবু অমদা য়াওবনিনা লৈঙাক শেমহল্লক্তবগী মরম্নি হায়রক্লিবসি অচুম্বা-অশেঙবসু ওইরম্বা য়ারিবনি। ৱাফমসি ফোঙদোরক্ত্রিঙৈগী মমাঙদনা গভর্ণরদা লৈঙাক শেমহনবীনবা হায়জখ্রে, এম এল এ মশীং অসুক শুরে, অৱাৎপশিংগসু পাউ ফাওনরি, সেন্টরনসু অথুবা মতমদা শেমহনবীরক্লগনি হায়বা ৱাফমশিং য়াম্না তোয়না ফোঙদোকখিবনি। রাজ ভবনদা চঙদুনা গভর্ণরগসু খূৎনাং চাবমখৈ উনখিবনি। অদুবু ইকায়খুম্নজরবা ১/২দা নত্তনা অয়াম্বনা ৱাফমশিংসি মখোয়গী চিন্দোন লৈতোন্দা পকপা হৌরকপদগী অতাবা মীয়াম তিঙক-মায়ঙক্লবা হৌখ্রবনি। 'থম্বাল নঙনা লুহোংনেসে ইমাদি কয়া থাজদে' হায় হায়বগী ফীভমদুদা লৈরকখ্রবনি। নত্তে, কুমজা ২০২২দা তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদুদা কারকখিবা বি জে পিগী এম এল এশিংগী মশীংদুবু ৩২ নৎত্রা? অপূনবা এম এল এ ৬০গী মনুংদা 'সিঙ্গল লার্জেষ্ট' কা নত্তে, এবসোল্যুট মেজোরিটি ফংখ্রিবনি। মমাঙগী লৈঙাক্তগী হৌনা খুজেং পালোইনরকখিবা এন পি এফসু ইচাও চাওনা লৈরিবনি। ইম্ফাল ময়োলগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অমদগী ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ ওইনা কারকখিবা অমসুং মীখলদা মায় পাক্লে হায়দুনা রিটর্নিং ওফিসরনা পীবা সর্টিফিকেটতা তৌবা সিগ্নেচরগী মুক ফাওবা কংদ্রিঙৈদা লম্ফেলদগী প্রপ-প্রপ চেল্লক্লগা থম্বাল শঙলেন য়ৌশিনখিদুনা শৌগৎলে হায়খ্রিবনি। পূম্নমকসিগী মথক্তা এম এল এ ৬ কারকপা জে দি-য়ুদগী ৫ মফি তাকখৎলগা চোংশিল্লকখ্রিবনি। হায়বদি বি জে পিগী পুমশেং-কোন্সেং ৩২দা মফি হোংদোক্লবা ৫গা পুল্লগা ৩৭ শুরক্লিবনি। মসিনসু লোইদে। মিনিষ্টরগী ফম অমত্তা পীরোই হায়রবা ফাওবদা এন পি পিনা কায়নথংদা শৌগৎপা তোক্লে হায়রকখ্রবসু শেৎতোক-ফক্তোকপা ৱাবমখৈ তিনফা-কাকফেদৌনা নপ্লকখ্রিবনি।

পূম্নমকসিনা মরম ওইরগা লৈঙাক অমা খোঙ্গ্রাই নীক্লগা তেং-তেং লাওনা শেমখ্রিবনি। হৌজিক ইকায়খুম্নজরবা এম এল এ ৬০ লৈগদবদা অমা ৱাৎলগা ৫৯ খক্তা লৈরিবসিদি এন পি পিগী এন কায়শি লৈখিদবদগীনি। বি জে পিগী ওইনদি য়ঙ-য়ঙ লাওনা ৩৭ লৈরি। কোংগ্রেসকী ৫ খক নত্তনা শৌগৎচনীংবশিংনসু লৈরিক-লৈরাক থন্না লৈবদগী নাম্মে পায়দুনা কোই-ইন ইন্নরিবনি। অদুগা লৈরিবা বি জে পিগী মশীংসিদবু ঐখোয় ১৯ শুরে, অসুক শুরে, অৱাৎপশিংসু শুরনি, পাউ ফাওনরি হায়নগা ফোঙদোকখ্রিবদুনা করিগীনো, করিদগীনো হায়বনিদা!! ৱাফমদুনদি মপান্দা অমত্তা ওইবা মপুম ওইনা উরবসু মনুংদদি চিনার অমুনবা চেকখাইবদৌনা কিন্থরে হায়বা নৎত্রদো? ফরেনে, মসিমসু হৌখ্রসনু। এম এল এদগী রিজাইন তৌবা, অতোপ্পা পার্টিদা ময়ূম পানখিবা নৎত্রগনা লৈখিদবনচিংবা অমত্তা য়াওদ্রিবনিনা 'ঐখোয় অমত্তা ওইরি, মনুংদা য়ানদবা অমত্তা লৈতে' গা হায়বদুদা থাজরগেনে অদুবু চীফ মিনিষ্টর ওইনীংবা ৭/৮ থোরকপদগী লৈঙাক শেমদবনি হায়বসিসু শেমহল্লক্ত্রিবসিগী মরম ময়ামগী মনুংদা অমবুদি ওইরম্বা য়াই হায়ববু চীফ মিনিষ্টর ওইনীংদববু য়াওরমগদ্রো হায়বনিদা। চুম্মী, মীয়ামগী তিং-তিং লাওবা লৈঙাক অমা থেক-থেক্না লমজিংদুনা পুবা ঙমগদবা মতিক-চাবা ইকায়খুম্নজরবশিংবুদি ফনা য়াম্না য়াওরিনে। অদুবু ৱাফমদুদি ৱাগী ৱানি। অশেঙবা অচুম্বা ওইনা লৌবা য়াদে হায়বনি। মরমদি চীফ মিনিষ্টর ওইনীংবশিংনা খুরক হাঙদনা শৌ-শানা লৈরবসু লৈঙাক লুচিংগদবা লীদরদুদি আ... দেল্লীদগী হেক-হেক লেপথোরকখিবা নৎত্রা? কুমজা ২০১৭কী মার্চতা লিংখিবা লৈঙাক্তুসুনি। কুমজা ২০২২গী মার্চতা অনীরকশুবা ওইনা লিংখিবা লৈঙাক্তুসু হৌজিক য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইরিবী নিরমালা সিতারমন খোঙলেংলক্লগা ইম্ফালগী হোটেল অমদা ৱারোইপোৎ পুবিরম্বা নৎত্রা? বি জে পিগী এম এল এ ৩৭ মক্না চীফ মিনিষ্টর ওইনীংলে হায়রবা ফাওবদা সেন্টরগী লুচিংবশিংগী অনীংবা-অপাম্বদা হঞ্চক-ঙাচক শারুবা ঙমজগদ্রা হায়বনিদা? লৈঙাক শেমহল্লকপদি লায়রদনা প্রসিদেন্টস রুলবু থা ৬ অমগা শাংদোকহল্লক্লিবসিগী মরমদি চীফ মিনিষ্টর ওইনীংবা ৭/৮ থোরকপনা নত্তে। সেন্টরগী লুচিংবশিংনা হান্নদগী মফি শেন্নকপগা, লান হৌরক্লিবশিংনগা অকনবা প্রেসর তৌশিল্লকপদগী খূৎ থারুবদা কদাইনো হায়দুনা ঈক-ঈক লাওনা লৈরক্লিঙৈগী তাঙ্গাদা ফমদবা য়াদবদগী ফেব্রুৱারী ১০, ২০২৫দগী হৌননবা থৌরাং পূম্নমক লোইশিল্লকপদা বি জে পিগী ইকায়খুম্নবশিংগী মরক্তা খোঙচেপ হাইনরকপনা কোংগ্রেসকী এম এল এ ৫ খক্না নো-কনফিদেন্স মোশনগী গদা পায়রগা অফং-অফংবা থোমগাইরক্লবদি বেশোন তাহনবিখ্রনেনা 'শ্বর' শৎতোক্লগা থম্বীরকপনি। মরম অসিনা কুমজা ২০২৭তা পাঙথোক্কদবা মথংগী মীখল ফাওবগী মরক্তদি 'ভাবনা দলান শারুরনু'। চুহি চফু পুমচাই চাইবগী ফীভমদুদা শোয়দনা তারনি। নাকল অমরোমদনা দেল্লীগী লুচিংবশিংনা থৌজিনবা পূম্নমক্তা হু-হু ইন্দুনতা লাক্লিবা লান হৌরক্লিবশিংসে মখোয়না শাওহন্নীংদ্রি। নরাইবক ফদনা হায়ৱেশিংদা মহৌশাগুম্না চঙন-থোক্লগা য়ারক্তুনা আই দি পিশিংগদি ময়ূম-ময়ূমদা প্রপ-প্রপকা হঞ্জিন্নখ্রদি কদাইনো মহায়রসি হায়ববু 'সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন' তাল্লিবশিংসি হৌজিক ঙাইহাক অৱা-থাবগী ৱানি। মরীল চুমদ্রি, শীখাঙ খাঙলি। চীফ মিনিষ্টর ওইনীংবা ৭/৮ থোরকপগী মহুত্তা অমত্তং ফাওবা থোরক্তদুনা নমদুনা ফারগা ওইহনবগী ফীভম লাক্লবা ফাওবদা অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্বগী মঙলান মঙলুখিনু। মঙলাক্লদনা শলাক শানি। এসেমব্লি দিজোল্যুশন তৌবিরক্কনেনা 'শ্বর' ফাওবা কন্না হোঞ্জবা ঙমজদ্রবা ইকায়খুম্নজরবশিংনা ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী থোকউ-থোকউবা ঙাঙবসিদি নোক্লীংদবগী ৱানি। নোক্কদৌবদদি ঙাইশিল্লক্লে হায়বনি। 'পামুবা-নুংশিবা নঙ-তে' হায়বদু নীংশিংলকই!!

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা'
## (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৬২৫)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

লাইরেল মৈদিংঙু সেলবী খাগেমবদি। মরিং খুলবী ঙমবা ও। মিংথোল মিংকৌনখিয়ে। লাইরেল মৈদিংঙু শেলবী খাগেমবা তুপী মখূৎশু খূৎপায়না। মতিক মথৌনা উৎখিবদি। অসিনা লোইবা লৈতে। মাইকৈ নোংপোক লমদম পাংবা লম। খাবা লৌতাংখুল। তাংখুল মচী মরমদম। ঈতোক খুললেল লমদমদা। হুয়েল লালদা খৌশাবনে। হুয়েল লালথেংনঙৈদি। ●

## [illegible]

[illegible]

[illegible] ●

# ইপুদা ইজবা চিঠি - ২, ২০২৫



চাইথোরকপা ৱাখল
**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

*ইপুখোই নুংশিজরবা,*

ইপুখোই ঙরাংদি ইপুখোইগী নুমিৎ ওগষ্ট ১৩ হায়দুনি। কমদৌবীবগে, মমাঙঙৈদদি স্কুল/কোলেজ খুদিংমক ওগষ্ট ১৩ ইপুখোইগী নুমিৎসি চাউনা-চাউনা থৌরম পাঙথোক্লরম্মী। মহৈরোয়শিংনা শৈরেং থিবনা থিবা, ঈশৈ শকপনা শকপা, চাউনা-চাউনা তৌনৈ। স্কুল খরদদি কম্পিটিশন তৌনরম্মী, ইপু ঐসু মমাংঙৈ অঙাং ওইরিঙৈদা অদুগুম্বা কম্পিটিশনশিংদুদা য়াম্না য়াওরকই। শৈরেং থিবা য়াম্না পাম্লকই, মপূন্সিগী শৈরেং অমুক্তা থিরক্তবা ওজাখৈনা জজগা ওইরগা তৌবদু মদুদদি য়াম্না কিখি জজশিং, ওজাশিংদু। মতমদুদা অচৌবা থৌরম ওইনখি। হৌজিক্তি থৌরমশিংদু ময়াং য়াম্না কংশিল্লে। তৌদবা য়াদবদৌনা তৌনরমাল্লে।

ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোকপা থৌরমশিংদা মমাঙ মমাঙ চহীদদি গভর্ণমেন্ট হায়দি মীয়াম্না খনবা মীহুৎনা শেম্বা গভর্ণমেন্টকী লুচিংবশিংনা হিষ্ট্রি ফাও খঙদনা, অখঙ অহৈ শা শাদুনা ৱাজাও-ৱাশাঙগা ঙাঙলদনা, লাইরিক হৈর-হৈরবা, কোক লৈর-লৈরবা ময়াম্না মদু মরূ লুকথরগা তারম্মী। মসি ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোকপা থৌরমগী ৱা নত্তে, লৈকায়-লৈকায়দা, হায়দি মাগী মাগী কন্সটিট্যুএন্সিদা ক্লবনা শিনবা থৌরমদগা অহৈ-অপা, অওৎ-অপা শা-শাদুনা য়াম্না ঙাঙবা তান্নরম্বনি। ইপুহোয়সু থৌরমদু পাঙথোক্লবনিনা তমগনিদো, মপূক্লিংনা খল্লিবা, তৌরিবা থবক ময়ামদুগা, মরৈবাক নুংশিবা শা-শাদুনা ঙাঙবদু তাবদা ইপুখোইবু পূক্লি পায়দুনা নোক্লীংদ্রো? মী খরদি মোইগী মতৌদুদা শিথ-শিথখৈ নোকপা য়াম্না য়াওই। কৈমতা খঙদবা, থিকা-নুংকা খরা তৌরকপা, জে সী বি খরা লৈবা, অকন-অরিং শাবা কয়াগা লোয়নবা কাঙবুনা অহানবদা সোশল ৱার্করনি হায়না মশানা মশাবু হায়জরম্বদগী লুচিংবা থোক থোক ওইরকপশিংদুনা হায়বশিংদু চিন কাঙবদি ঙমদবা লাইরিক লাইশু য়াম্না হৈবা, ৱাখল য়াম্না ৱাংবা খুদিংমক উবা ঙম্বা মীয়াম অমনদি তাবদা কয়া হৈনদে।

য়েংবীয়ুনে ইপু, মরৈবাক নীংবশিং অদুগী মরৈবাক্তনি, হৌজিক হৌজিক ওন্থোকপা ফীভম অমদা লৈদুনা খাগা-ৱাংগা চঙনবা য়াদদুনা, মৈ থানদুনা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিসি। মরৈবাক্তু নুংশিবা তারবদি নহান্না কৈ-কৈনো অমুক্তা তৌদনা। ঐগী ইরৈবাক্তা সিগুম্বা থোক্লিবসি কমদৌসিগে কমায় তৌসিগে হায়ফম থোকপশিংদুদা মখোঙ অমুক্তা থীল্লুদনা। মখোঙ থীনবদি লায়রদনা মখোঙ থাংলগা মনাক্তা চঙবফাওবা ঙমদে, ৱাহৈ অমফাওবা হায়বা তাদে। ময়াম মরকসিদা থোরক্লগা ৱারবা পূক্লিংবু অমুক্তা ওইরসু থেম্বীবা য়াবা ৱাহৈ খরদা ওইরসু নোংমতা হায়য়ুদনা, হায়বা তাদে। মীগী য়াকা য়েংলগা, মীনা তৌরকপা ঙাইদুনা লৈবদুবু মরৈবাক অমদি মীয়াম্বু নুংশিরিরো? মীয়াম্না পেন্দদনা হায়ফম থোকপগী হায়বদু, ঙাঙবদুবু মীয়ামদা অমুক ওনশিন্দুনা অপঙবা অঙাংদা পড়া তাকপদৌনা ঐখোয়সু মনুংদা শিন্নরি, লোইনমক হায়দোকপা য়াদবা ৱা লৈরিবনি, হায়দোক্তবৈ ৱানি তৌরি, তৌরক্কনি, ঙাইবা তাবনি গাইনা ওনখৎতনা হেক্তা হায়। অতোপ্পা পার্টিগী মীনা হায়রকপদসু, লৌশিনবা য়াবা কৈনোদি খন দদনা নেগেটিভ ঙাক্তা ওইনা লৌরগা লমন খুম্বৈ টাইপ্তা পঙহায়দা হায়বনচিংবা য়াম তৌই। মসি ইপু চুমদে। ইপু মণিপুরদা হৌজিক লৈরিসি এম এল এ ৬০নিদনা। সিগী মনুংদা অমদি পূন্সি তেনখ্রে, ৫৯নি লৈরিসি। অমুক সিগী মনুংদা ৫ অমদি ওপোজিশননি। ওপোজিশনদো তোক্লো, লৈহৌরিবা গভর্ণমেন্ট পায়মিন্নরম্বা অমদি হৌজিক হৌজিক লৈরি হায়রিসি ৫৪নি। মোইসিনবু লৈঙাক অমা শেমগে, ঐখোয়না লৈরিবা ঈরাংসি অমুক্তা ঈংথহনগে হায়বা ঙমদ্রিসি কৈগীনো? মোই ৫৯দু অমুক্তা ৱা অমত্তা হায়রকপা তাদে। খরা অমদি লৈঙাক শেম্মনি হায়না থোরক্লগা ৱা খরা মচিৎ মচিৎ হায়বা তাখি। হৌজিক্তি অমুক হায়খিদ্রে, তূমিন লৈনখ্রে। সুমাইনা তৌদৌ শরুক ঐখোয়না ঙমদ্রে হায়রগসু নখোয়না অমুক্তা মপূং ফানা লোইশিনবীরো নৎত্রগদি ঐখোয় লোইনা পার্টি থাদোক্লনি, রিজাইন তৌরনি অমুক্তা হায়বা ঙমদ্রিসি কৈগীনো? হায়রুরগা ঐখোয় পার্টিদি দিসিপ্লিন অমগী মখাদা লৈবনি হায়। ঐখোয়-ঐখোয়না ঙমদে, সেন্টরদগী শিল্লক্কদবনি হায়। সেন্টরনা ঐখোয়বু শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌরগা কয়া কুইরে সুক ৱানা লৈরিসে। রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিং অদুগী পূন্সি, মখোয়গী তুংলমচৎ, মখোয়গী তুংগী জেনরেশন মখা শমথগদৌরিবা অঙাংশিংগী পূন্সি, মখোয়গী ৱাখল্লোন অমুক্তা শাজিল্লগা য়েংবীয়ুনে ইপু, লোইরে লোইরেদি হায়হৈদে লোইরে, পুমম্মম মম্বা নত্তনা অতৈ কৈমতা উবা ফংদে।

ইপু য়াম শাথীবা পাউ অমসু তারিয়ে, কয়াম চুম্মীনোদি খঙদে, সোশল মীদিয়াদগী ভাইরেল ওইরক্লে। চুড়াচান্দপুরদগীনা কাংপোকপী ফাওবদা খরা লোন্না শেল্লম্বা, ষ্টেট গভর্ণমেন্টনসু খঙদে- জর্মন রোদ অমদি টাইগর রোদ হায়বা লম্বী অমা শেম্বা য়ানি-য়ারোই হায়না তৌনরিঙৈদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা লম্বীদু শেম্বদা য়ারে হায়বা পাউ অমগা তারিয়ে। কয়াম চুমদৌরিনোদি খঙদে। মদুনগা করিগুম্বা চুল্লম্বা থোক্লবদি ইপুখোই, ইপুখোইনা থম্বীরম্বা নুংশিরবা নরমদম অসি পুল্লোই লোইরেদো। লান কন্না হৌগৎলকপা মতমদা ঐখোয়গী মমাঙগী লৈঙাক্কী লুচিংবা অমনা দেল্লী চৎলুরগা হরাও-হরাও লাক্লগা এয়রপোর্টতা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহং অমদা নোক্লা নোক্লা হায়খিবা ৱাফম অমগা য়াম্না মরী লৈনরকপদৌনা তৌবা মানবা অমা য়াওরি। মতমদুদা লুচিংবদুনা হায়খিবদু - তম্পাক্কী লম্না ঐনা পায়রনি, অদুগা চীংগী লমনা অমিট শাহজিনা পায়রনি। লান লোইরনি, শান্তি লাক্লনি হায়ব্রা কৈনোমা, নাকোংনা তাবদা শোয়ব্রাদি খঙদে, হায়ফেৎ হায়ফেৎতি তাখি। খঙদে ইপুখোই, শিংবা হেল্লিরা, লাইরিক হৈবা হেল্লিরা মোইগী লালোংসিনা ফিরাল মমাই ইচুম চুমখৎলকপদৌনা তৌরিয়ে। ঐখোয় শ্বাইদসু লাইরিক হৈববুদি য়াম্না লৈ, ইহ... কোকথোং অমা লৈজাৎনি ইপুখোই, অদুবু ঐখোয়গীদি মা মশা খক্তা হৈজবনি, মা-মানা হৈরিবা লাইরিক অদু মীঙোন্দা খঙহন্দে, হায়দোক্তে, মদুগী কান্নবা মহয় অদু মীঙোন্দা ফাওহন্দে, মরন্নাই তারগা তোকই। শিরগা লোইরে। লৈবাক্কীসু, মীয়ামগীসু কৈসু থোইদোকপা কান্নবা থম্নদে। লাইরিক হৈর-হৈরগা উচি মখুলদা চঙই। মীগীনা লাইরিক কাবক-কাবক হৈরগা মফূরুপকী, মরমদমগী শেমগৎ-শাগৎপগী তুংলমচৎকী, মাগী ফূরুপকী মীয়ামগীদমক ৱাখল খল্লি, থবক তৌই। ঐখোয়গীগা য়াম্না খেন্নে। অদুনা মোইনা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টতা ফাওবা চিঠি ইবা ঙম্মী। ইরকপশিং, হায়রকপশিং প্রসিদেন্টতা নত্তনা সেন্ট্রেল লুচিংবশিংনা তাপ-তাপ লৌখৎলগা, খন্নবা য়াবা খন্নবা মাল্লি। ঐখোয়গীদি ইবীনবসু লৈতে, অমনা কৈনোম্মা ইরসু, মোইনা হেক্তা লৈবাকসি পানবা য়াব্রা, মোইনা হায়রগা হেক্তা লৌগদ্রা হায়না ৱায়েৎ-কংয়েৎ তৌনরক্কনি। অদুদদি তৌনীংবা কোঙ্গাই তৌবা ঙমদে, মহৈ-মহৈ ইন্থোক্লদুনা লৈ। অসুম তৌনরিঙৈদা ইপুখোই, ইপুখোইগী নরমদম সিদি গৌড় মীঠাই মীশিদা তুমদৌরিবা কৈনোমা তৌরিয়ে।

সিগুম্বা চন্নীংঙাই লৈত্রবা মরৈবাক নীংবা শাবা ময়াম অমনা মপান শারগা লৈরে। অদুগা তশেং-তশেংনা লৈবাক্কীদমক মীয়ামগীদমক হায়না খঞ্জবা তৌজবা কাঙবুশিংনা মঙক খজিক্তং লিৎখৎচরকপদা শোইদৎপীনবা কোকথোং অমা মখূৎতা থাঙ অথৌবা পায়দুনা হাইগৎলগা ঙাইদুনা লৈনৈ। ইশেং শেংনা ইপুখোই, দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমা ওইবনিনা, মীখল হায়বসি য়াম্না মরু ওই। মীখলদা খল্লকপা মীওইশিংদুনা হায়রিবা ময়াম অসি মথম্মোয় শেংনা তৌগদৌরিবনি। অদুগুম্বা মীশিংদো থোরক্তবদি নত্তে, অদুবু থোরক্লিবদো লায়রবা, মীচং লৈজ দবা, শেল পায়দবা ঙাক্তা ওইনা তৌই। অদুনা মায়থীদুনতা তোকই। অদুনা মতুং থোরক্কদবসু তন্দনা থোক্লরক্তে। অদুবু ইপু, নশু ইবুংঙো অমদি হন্দক্কী মমাঙগী মীখলদুদা থোরক্লগা শাথীনা হেল্লগা মায় পাকখি। মানা হৌজিক তৌরক্লিসিদি রেকোর্দ ঙাক্তনি, কনা অমত্তনা তৌরক্ত্রিবা থবক ঙাক্তা মানা তৌথোরকই। অদুমক্তদা কাঙবু অমনা মাবু চিংথনবা কন্না হোৎনরি। ঐখোয়গীদি মীচং লৈবা, শেল পায়বা, থিকা তৌবা, জে সী বি য়াম্না লৈবশিংদো অদু নত্তনা মীখলদা মায় পাকপা ঙমদে। মসি পূম্নমকশিং অসি ভোটতুবু থাদগদৌরিবা ঐখোয় মীয়ামগী মখা য়াম পোল্লি। অদুনা ইপুখোই, য়ারগদি মীয়ামসু ইপুখোইনা হন্দক লেঙবীরক্লিঙৈসিদা কৈ কৈনো পাম্বৈ অমা তৌদুনা ৱাখল তাহনবীরম্মু। ৱাখল তাদবখৈ, খুন্নাইসিদা অরান-অহুই তৌবশিং কৌখৎ কৌখৎতুনা চৈ থারগা ৱাখল তাহনবগী থবকসু য়াম চখৈ, অদুবু ইপুখোইদি অদুম তৌবা য়ারোইদ্রা? হুম! য়ারোই, ঐগী ৱাখলসে ইপু ঙাওরে, ইপুখোইগীদি তাইবঙপান থাদোকখ্রবনি, ঐনা খল্লিসি তৌহন্নীংবগী পঙহায় হায়বা হায়দুদা তারে। অদু ওইরসু ইপু, মমঙ-মহাদা ওইরসু খরা খরা অশেংবা তৌ অমদি নোই নোইগী ৱাখলশিংদু হোংদোক্লো, নরৈবাকসি মাঙখিবা তারে হায়না খরা অমুক্তা তম্নবোই, খংহনবোই অমুক্তা তৌবীরম্মুবা। ●

অদোমগী নশু অমা।

# মণিপুরগী বডজেটসিনা করি হায়রি

পূন্সিগী ঈচেলদা - ১৩১
**ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার**

চৎলিবা চহী ২০২৫-২৬কী ওইনা মণিপুর ষ্টেটকী কাইথরক্লিবা শেনফম অসিনা করি হায়রি হায়বসি খন্নবা য়াই। হন্দক্তা পার্লিয়ামেন্টতা পাস তৌখিবা মণিপুরগী বডজেট অসিনা ময়েক শেংনা তাক্লি মদুদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুরবু করম্বা মীৎয়েংদা য়েংলি হায়বদো। চহী ২ হেন্না ঈরাং থোকপসিনা মরম ওইদুনা মাঙহন তাকহনখিবা অমদি অশি-অনা পুরকখিবা, থবক মাঙখিবা অমদি আই দি পিশিংগী রিলিফ এন্দ রিহেবিলিটেশন পূম্নমক অসি নৈনরুবদা লুপা ক্রোর ৪০,০০০দগীনা ৪৫,০০০ মুক কাইথবগী মথৌ তারিবা ষ্টেটসিদা শুপ্নতগী লুপা ক্রোর ৩০,৯৬৯.৪৪ খক কাইথরক্লি। ইন্দিয়ন পার্লিয়ামেন্টতা ঙসি ফাওবদা মণিপুরগী ওইনা কোন্ননবা বডজেট কাইথোকপা য়াওদ্রি, হিংনা হিংননবা কাইথোরকপা নত্তনা।




অদুগা চহী ২ হেন্নদগী কুকি-জো অমদি মীতৈ অনীগী মরক্তা চত্থরক্লিবা ঈরাং অসিগী অৱা চৈথেং নংলবা আই দি পিশিং অসিগী রিহেবিলিটেশনগী লুপা ক্রোর ১,০০০গী মথক্তা মথৌ তাবসিসু শুপ্নগী ক্রোর ৫০০ খক থাদরক্লি। মসিদা হেন্না ঙক্লিবদি মতৌ অসুম্না অসুক লিক্লা বডজেট কাইথরক্লিবা অসিদা মণিপুরগী বি জে পি লৈঙাক্কী হান্নগী সী এম বিরেন অমদি মহাক্কী খোঙলোইশিংনা অমিট শাহ অমদি পি এম নরেন্দ্র মোদি অনীগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুরদা চাওখৎ খোঙথাং লাক্লগনি হায়না চাউথোকচনা ফোঙদোক্লিবা অসিনি। মীচম মীয়াম ঐখোয়না সুম উবদদি চাওখৎপা অমদি নুংঙাইবগী মহুত্তা পূন্সি কয়াসু মাঙহনবীরি।, লুপা ক্রোর ক্রোরগী লন-থুমসু মাঙহনবীরে অদুগা ইনীং তৌনা চথোক-চৎশিন তৌবসু ঙমহন্দ্রে। মসিগী মথক্তা শেল-থুমগী ফীভমসু অসুক্কী মতিক শোক্লে। অসিগুম্বা ফীভম লৈরবসিফাওবদা চাওখৎপা, অহোংবা লাক্কনি হায়রিসিবু ঐগী ওইনদি উবা ঙমদ্রেদো।

তশেংবগীদি চহী ২ হেন্না থোরক্লিবা ঈরাং অসিনা লুপা ক্রোর ক্রোরগী লন-থুম মাঙহনখিবা, থবক ইনখাং শুফম লৈহন্দবা অমদি আই দি পিশিংগী য়ূম-কৈ শাদুনা ময়ূম-ময়ূমদা হঞ্জিলহন্নবা অমদি অৱা-অনা কোকহন্নবা হোৎনবদা হান্নবা কাইথোকখিবা বডজেটশিংদগী হেন্না ৱাংনা পীফম থোকপনি। অদুবু চহীসিগী মার্চ থাদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর নির্মলা সিতারমননা লুপা ক্রোর ৩৫,১০৩.৯০ পীফম থোকই হায়না থমখিবা শেনফম অদুদগী লুপা ক্রোর ৫,০০০ ফানিংচিৎ ককথরগা লুপা ৩০,৯৬৯.৪৪দা খক পাস তৌখি, লুপা ক্রোর ৩৫,১০৩.৯০ পীবগী মহুত্তা।

য়েংবীয়ু ঙসি ওইরিবা মণিপুরগী ফীভম সেন্ট্রেল লৈঙাক্লা দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসি শান্নদুনা কুকি-জো অমদি মীতৈ অনীগী মরক্তা চত্থরক্লিবা লান অসি মখা তানা শাংথহন্দুনা লাকপদগী। খুদক্তা লোইশিনবগী মহুত্তা মখল মখলগী ঈরাং মচা-মচা মথং-মথং থোকহন্দুনা হেন্না হেন্না ৱাহল্লগা মীনাইগুম নীদুনা হিংনবা হোৎনরক্লিবা সেন্ট্রেল লৈঙাক্কী থৌশিল। অসুম্না নী-নীদুনা হিংহনবা অসিগী অরোনবা এজেন্দা লৈতবা নত্তে ইন্দিয়া লৈঙাক্কী। অসুম্না সেন্ট্রেল লৈঙাক্তগী নী-নীদুনা হিংহনবগী খ্বাইদগী মরু ওইবা পান্দমদি ঐখোয় সেন্ট্রেল লৈঙাক্কী মতেং য়াওদনা হিংবা ঙম্লোই হায়বগী ৱাখল্লোন লৈহনবা অসিনি। মদুমক মায় পাক্লবনি। মরমদি ঐখোয়গী পাল্লম্বা মণিপুর লৈঙাক্কী বি জে পিগী এম এল এশিংগী ৱাখল্লোনসি নীদুনা চাদ্রবদি হিংবা ঙম্লরোই হায়না খল্লিবা অসিনি।

ঐখোয় ইরমদমগী লুচিংবশিং অসিগী কোকতা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মতেং য়াওদনা ঐখোয় হিংবা ঙম্লরোই হায়বগী ৱাখল্লোন অসি হাপচিনবতা নত্তনা মীচম মীয়ামগী কোকতসু হাপচিল্লবনি।

মরম অসিননি ঙসি পাল্লিবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা অসুক থীনা ফীভম শোকহল্লবা ফাওবদা বি জে পি মেম্বরশিংনা বি জে পিদগী রিজাইন তৌবা ঙমদ্রিবা, শৌগৎপা লেপত্রিবা। মসিনা ইরায় লায়না তাক্লি মদুদি মীচম মীয়ামসু সেন্ট্রেল লৈঙাক্কী মতেং য়াওদ্রবদি হিংবা ঙম্লোই হায়না খন্নরিবা। অদুবু ঐখোয় খুদিংমক্লা নীংশিংগদবদি মতম অমদা ঐখোয়না ইন্দিয়াদা তিন্দ্রিঙৈদা ঐখোয় নীরগা চারমদে অমদি মীনাইগুম অসুক তোন্না হিংলমদে হায়বসি। নীবগী মহুত্তা হেন্নদুম খূৎকন পাঙ্গলনা চাওথোকচনা হিংলম্মী মপু অমা ওইনা।

ইন্দিয়া য়াওদনা ঐখোয় হিংবা ঙম্লোই হায়বগী ৱাখল্লোনসি য়াম্না মরা চেৎনা তাখ্রে ঐখোয়গী লুচিংবশিং অসিগী কোকশিংদা। মরম অসিননি ইন্দিয়া লৈঙাক্ল া ঐখোয়দা পীফম থোকপা শেনফম অদু য়ৌদ্রবসু শেনফম অমা হেক কাইথোকপদা অমিট শাহনা, নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরসি সিঙ্গাপোরগুম চাওখৎপা লমদম অমা ওইহনগদৌরে, লায়রবা কোক্লনি, হায়ৱেশিং এরোপ্লেন তাবা য়ানবা থম্লনি হায়না লাউজরিবা ঐখোয়গী লুচিংবশিংনা। অদুবু লাইবক থীবদি মদুগী চাওখৎপা অমদি নুংঙাইহনবগী মহুত্তা হান্নদগী অমুক্কা হেন্না ৱাহল্লে ঙসি ঙসি পাল্লিবা ইন্দিয়াগী বি জে পি লৈঙাক্কী থৌইনশিন কয়াসিনা। অসুম্না মচিন থীবদুদা মীচম মীয়ামসু হরাও-হরাও মখোয়গী মতুং ইঞ্জরি, ইল্লি। ঙসি ফাওবা মিৎ পাঙদ্রি ইরৈচা কয়া।

অসিগুম্বা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী থৌইনশিন অসি মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনখিবা নুমিৎতুদগী অদুম তৌদুনা লাক্লবনি। করম্বা মতমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুরগীদমক শেনফম মতিক চানা পীরকখ্রবগে, পীরক্ত্রি, অদুগা তুংদসু পীরক্লোই। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা শেনফম শুনা থাদদুনা লমদম অসিবু চাওখৎহন্নীংদবগী খ্বাইদগী চাউবা মরমদি ঐখোয়গী লমদমসি শেমখৈ শেমগৎলগা নীংখা তম্বা লৈবাক অমা ওইখিগনি মীপাইবগীনি। অসুম্না খনফমসু থোকই মরমদি চহী কয়া ১৯৬০দগী হৌরগা য়াওল্লুপ কয়ানা ইন্দিয়াদগী নীংখা তম্নবা লান থেংনদুনা লক্লি। মসিগী নীংখা তম্বগী ৱাখল্লোন অসি মূখৎনবনি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লমদম অসিবু নী-নীদুনা হিংহল্লগা ঐখোয় ইন্দিয়া য়াওদনা হিংবা ঙম্লোই হায়বগী ৱাখল্লোন অসি থম্নবা হোৎনরক্লিবা। মসি ঐখোয়না খঙফম থোকই।

মতৌ অসুম্না ঐখোয়না ফংফম থোকপা শেনফম অমুক্তা পীরকখিদ্রি, পীরক্লবা থৌনা ফনা হায়খিবসু লৈত্রি, ফোঙদোকচবা নত্তনা। ঐখোয়না ফংফম থোকপা শেনফমদগী তানা, পীকথনা পীরকখিবা ঙাক্তনি। অসুম্না পীক্লা পীরকখিবা শেনফম অদো অমুক ঐখোয়গী শাশিন্নবা লুচিংবশিংনা মখোয় মখোয়গী ফুরিৎখাওদা হাপচিন্দুনা লাকখিবনি লৈবাক্কী অমদি মীচম মীয়ামগী ফনবা তৌবগী মহুত্তা। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মীৎয়েং অমদি ঐখোয়গী শাশিন্নবা লুচিংবশিংগী থৌওংশিং অসিনা লমদম অসিগী মীচম মীয়ামসি ওৎতুনা লাক্লি ঙসি ফাওবদা ইন্দিয়াদা হেক তিল্লকপা নুমিৎতুদগী। মসি ঐখোয় খুদিংমক্লা খঙফম থোকই।

লোইশিল্লকপদা, হন্দক্কী মণিপুরগীদমক কাইথরক্লিবা বডজেট অসিদগী ঐখোয়না খঙলে মদুদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ঐখোয়সে য়ারিবমখৈ নী নীদুনা চাক্লিবগুম, মীনাইগুম লৈহনবা পাম্মী হায়বসি। মরম অসিনা হৌজক্তি ঐখোয় মীকপ থোকপগী মতম ওইরে, পঙথদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা নুংশিবীরক্কনি, শেন্বীরক্কনি খন্দুনা মখা তানা লৈখিসিরা নৎত্রগা ঐখোয়না ফংফম থোকপা শরুক মপূং ফানা পীগদবনি হায়না থৌনা ফনা লাউবরা নৎত্রগা প্রি-মর্জর ষ্টেটসতা হঞ্জিল্লগে হায়ব্রা অমা খনবা মতম ওইরে। ●